# নোর্থ কেরোলিনাদা নোংমৈ কাপ্তুনা মীওই মঙা হাৎখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা য়ুএসকী ষ্টেট নোর্থ কেরোলিনাগী কেপিটেল রালিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা দ্যুটিদা লৈতবা পুলিস ওফিসার অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না য়ুএসকী খা নোংপোক থংবা সিটি অদুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সস্পেক্ট অমা ফারে। রালিগী মেয়র মেরি-বাল্ডৱিননা হায়খি, মদুদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু নিয়ুজ রিভর গ্রিনৱে হায়না খঙনবা মীয়াম্না পাম্নরবা মফম অমগা নক্লনা থোকখিবনি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মেয়র অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি থৌদোক অদু রালি সিটিগী ওইনা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক্নি। ঙসি নুংথিল পুং ৫গী মতুংদা মীওই কয়া নোংমৈনা কাপখিবনি। রেলি পুলিস দিপার্টমেন্টনসু থৌদোক অদুদা মীওই মঙা শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদা অমদি দ্যুটিদা লৈতবা পুলিস ওফিসার অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

রালি পুলিস লেফটনেন্ট জেসন বোনিওনা অতোপ্পা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি চহী নৌরিবা নুপামচা অমা ওইরিবা সুটর অদু নুমিদাং পুং ৯.৩০ গী মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা ফাখি।

মেয়রনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা সুটর অদু মফম অদুগী য়ুম অমদা পুলিসনা ফাজিন্দুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অশোকপশিংদুগী মনুংদা অমা ফিভম লুনা লৈ হায়না বোনিওনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না কেনাইন ওফিসার অমা ওইরিবা অশোকপা অমসু হোস্পিটলাইজ তৌখি। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙখিবা নোর্থ কেরোলিনাগী গভর্ণর কুপ্পরনা ঐখোয়গী থোঙ্গালদসু টেরর য়ৌরক্লে হায়খি।

# য়ুক্রেননা সী পোর্টশিংদগী এক্সপোর্ট তৌগদবা পোথোক্কী মখলশিং হেনগৎহনবা পাল্লি

কিভ, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেননা লৈবাক অসিগী হিথাংফমশিংদগী এক্সপোর্ট তৌগদবা পোথোকশিংগী আইটেম হেনগৎহন্নবা খন্নরি অমসুং লৈবাক অসিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা টর্কিগা খন্ননবা শেম শারি হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

টর্কিদা লৈবা য়ুক্রেনগী এম্বেসেদর বাসিল বোদনারগী ৱারোল অদুনা ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি, মদুদি মতুং তাবদা য়ুক্রেনদগী এক্সপোর্ট তৌগদবা পোথোকশিংগী আইটেম হেনগৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়বসিগী মতাংদা ঐখোয়না খন্নবা পাম্মী।

এনভোই অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি হৌজিক ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিবকী মখাদা য়ুক্রেনগী পোর্টশিংদগী চিঙাক্কী আইটেমশিং এক্সপোর্ট তৌবগী থবক নীংথিনা চথরি।

বোদনারনা হায়খি, মদুদি অথুবা মতমদা য়ুক্রেন অমসুং টর্কিনা দিল অদু শাংদোকহনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নরগনি। লান কন্না শোক্লরিঙৈ মরক্তা ব্লেক সীগী খুথাংদা য়ুক্রেনগী পোর্টশিংদগী ইন্টরনেসনেল মার্কেটশিংদা চিঙাক অমদি হারশিং হোনবা হৌবা য়ানন্নবা দিল অমা হৌখিবা জুলাই ২২ দা ইষ্টানবুলদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা টর্কি অমসুং রসিয়াগা দিল অমা তোঙান তোঙাননা খুৎয়েক পীনখিবনি।

কিভতা লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না দিল অদু চৎনবা হৌখিবদগী লৌউ শিংউগী পোথোক টন মিলিয়ন ৭.৩৮ পুবা বেসেল ৩৩১ য়ুক্রেনগী পোর্টশিংদগী এসিয়া, য়ুরোপ অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা হোনখ্রে। এগ্রিমেন্ট অদু নবেম্বর ১৯ দা মতম লোইগদবনি।

# সরিয়া লো ঙাকপগী ৱাশক ৱারোলদা খুৎয়েক পীনবা খঙহনখ্রে

কাবুল, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী টালিবানননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা কন্দহার প্রোভিন্সকী ওজা নুপাশিং অমসুং হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী ইস্লামিক সরিয়া লো ইন্টরপ্রিটেসন নীংথিনা ঙাক্কনি হায়না ইবা অইবা ৱারোলদা খুৎয়েক পীননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

টালিবানননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংদা ঙাক্ননবা খঙহল্লিবা ইস্লামিক সরিয়া লোগী কা হেনবা ইন্টরপ্রিটেসনদা খদাং কোয় খাকপা, কোকয়েৎ নত্তগা ইস্লামিক কেফ শীজিন্নবা, মহৌশাদগী চৎনরক্লবা অফঘানশিংগী ফুরিৎ অমদি খোঙ্গাওশিং শীজিন্নবা য়াওনা নুপাশিংগী ওইবা টালিবানগী দ্রেস কোট য়াওরিবনি।

লোকেলশিংগী মতুং ইন্না অইবা ৱাশক অদুদা সাইন তৌদবা নত্তগা মদুবু ঙাক্তবা তারবদি মহৈরোয়শিং স্কুলদগী তাম্থোক্কনি। ওজাশিংনা থবক তৎকনি। ওজা নুপাশিং অমসুং মাপনশুবা গ্রেট অমদি মসিগী মথক ওইবা মহৈরোয়শিংবু অইবা ৱাশক ৱারোল অদুদা খুৎয়েক পীনবা খঙহল্লিবদুবু পাক শন্না ক্রিটিসাইজ তৌনখি।

কন্দহারদা হায়স্কুল তম্লিবা মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মহৈরোয় অমনা হায়খি, মদুদি ওর্দর অদু মরম চাদবা খোঙথাং অমনি অমদি মদু ঐখোয়না য়ারিমখৈ পুক্লিং থৌগৎলোইদবনি।

প্রোভিন্স অদুগী অতোপ্পা হায়স্কুল মহৈরোয় অমনা হায়খি, মদুদি টালিবানননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অসিগুম্বা কা হেনবা ৱাখল্লোনশিংদা য়ুম্ফম ওইবা খোঙথাংশিং অসিবু নমদুনা ইলহন্নবা হোৎনবা অসি লেপকদবনি। অদুগুম্বা ৱাশক ৱারোল অদুদা মহাকপুসু নম্ফুদা খুৎয়েক পীহনখি হায়না মহৈরোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা লৈঙাক্কী পৱার পায়বা হৌখিবদগী টালিবানননা গভর্ণমেন্টগী নুপা এমপ্লোয়িশিংদা খদাং কোয় খাক্লবা অমদি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা অফঘানশিংগী ফিজোল শেৎনবা খঙহনবগা লোয়ননা হায়রিবশিং অসি ইন্দ্রবদি থবক থদৎকনি হায়না কিহনখিবনি। অফঘানিষ্টানগী মফম খরদদি টালিবানননা নোংচুপলোমগী ষ্টাইলগী ফিজোল অমসুং শমককশিং অথিংবা থল্লি।

# বাংলাদেশতা নোংমদা দেঙ্গিনা নাবা মীওই নিপান শিখ্রে

ধাকা, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

বাংলাদেশতা নোংমা খক্তদা দেঙ্গিনা নাবা মীওই নিপান ইনৌ নৌনা শিখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৮৩ শুরে।

সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসি থা অসিদা দেঙ্গিগী কেস মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলকখি। লৈবাক অসিগী দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেস (দিজিঐচএস) কী মতুং ইন্না থা অসিদা লৈবাক অসিদা দেঙ্গিগী কেস ৭১৯০ থেংনখি অমসুং লায়না অসিনা মীওই ২৮ শিহনখি।

দিরেক্টরেট অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা দেঙ্গিগী কেস ৯৯১১ থেংনখি। মদুগী মমাঙ হৌখিবা ওগষ্টতা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসি পল্লবা মীওই ৩৫২১ থেংনখিবনি।

চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা দিজিঐচএসনা দেঙ্গিগী কেস ২৩,২৮২ অমসুং রিকোভরি ২০,৪০৫ রেকোর্দ তৌখি। ওক্তোবর থা অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মীওই ২৮ শিহনখ্রে। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩৪ নি অমসুং ওগষ্টতনা মীওই ১১ শিখি। হৌখিবা জুলাইদা মীওই ৯ শিখিবগা লোয়ননা জুনদনা মীওই অমা শিখি।

বাংলাদেশতা জুন-সেপ্টেম্বর ফাওবগী কুমগী নোংগী মতম অসি দেঙ্গি ফিভরগী সিজননি। লৈবাক অসি কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংগী রিস্ক ৱাংলবা লৈবাক অমনি হায়না লৌনরি। মীওই মিলিয়ন ১৭০ রোম লৈবা লৈবাক অসি বাইওসেক্যুরিটি অমদি লায়নাগী সার্ভিলেন্স মতিক চাদবদগী ভাইরেল ইনফেক্সন তোইনা থেংনবা লৈবাক অমা ওইরি।

# য়ুএসকী নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি ২০২২ দা পাকিষ্টান পন্দ্রে



ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

মতম অমদা ৱাশিংতনগী মরু ওইবা মীচংশিংনি হায়না খন্নখিবা পাকিষ্টান অমসুং সাউদি অরাবিয়া য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি ২০২২ দা মমিং ফাওবা পন্দ্রে।

অমরোমদা, চহী অসিগী নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি অদুদা চাইনাবু অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা জিও পোলিটিকেল চেলেঞ্জনি হায়না পল্লি। দোনগী পাউনা হায়রি, মদুদি লমায় ৪৮ গী দোক্যুমেন্ট অদুদা টেররিজম অমসুং সাউথ অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়া লমদমগী অতৈ জিও-ষ্ট্রেটেজিক থ্রেটশিং পল্লবসু মমাঙগী মতম খরগা মান্নদবা মওংদা দোক্যুমেন্ট অদুদা পাকিষ্টানবু অদুগুম্বা থ্রেটশিং অদু থেংনবদা মথৌ তাবা মীচং অমা ওইনা পন্দ্রে।

কুমজা ২০২১ গী ষ্ট্রেটেজি পেপরদসু পাকিষ্টান য়াওখিদে। পাকিষ্টানবু য়ুএসকী নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিদা পন্দ্রিবদু য়ুএস অমসুং পাকিষ্টানগী তোঙানবা মরী অমা শেমগৎপা পাম্বা লৈবাক অনীগী ৱাখল্লোন অদু উৎলিবনি হায়না ৱাশিংতনদা ওফিসল কয়ানা ফোঙদোক্লরি।

ইস্লামাবাদনা মতম শাংনা কমপ্লেন্ট তৌরক্লিবদি য়ুএসনা পাকিষ্টানবু শুপ্নগী অফঘানিষ্টান অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদগী পীরক্লিবা থ্রেটশিং থেংনবদা শীজিন্ননবা খুৎলায় অমা ওইনা উই হায়বসিনি।

হন্দক্তা ষ্টেটমেন্ট খরদা য়ুএস অমসুং পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানবু অফঘানিষ্টান অমদি ইন্দিয়াগা মরী লৈনহন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লখিবনি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অনীনা পাকিষ্টানবু মীওই মিলিয়ন ২২০ হেন্না লৈবা ন্যুক্লিয়র ষ্টেট অমা ওইনা শক্তাকচনবগী ৱাফমশিংসু থমখ্রবনি।

দোনগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি পাকিষ্টাননা চাইনাগা নকশিন্নবা মরী থম্বা পাম্মী হায়বসিসু য়ুএসকী ওফিসলশিংনা খঙবগা লোয়ননা লৈবাক অসি লমদম অসিনা চাইনাগী ইথিল মায়োক্লনবা লৈরিবা য়ুএসকী ষ্ট্রেটেজিদা মীচং অমা ওইনা উদ্রিবনি।

য়ুএসকী নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি ২০২২ দা রসিয়া অসি চাইনাগী হেক মথংদা য়ুএসকী মালেমগী ওইবা ইন্টরেষ্টশিংদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওনা অকিবা পোকহনবা লৈবাকনি হায়না পল্লি। লোয়ননা রসিয়াবু কায়হৌবা তৌদনা য়ুক্রেনদা তমথীবা মওংদা লান্দাবগীদমক্তসু কন্দেম তৌরি। দোক্যুমেন্ট অদুদা মশাগী চেপ্টরশিং য়াওহল্লিবা লৈবাক অনীদি রসিয়া অমসুং চাইনা খক্তনি। অনী লোঙবা ষ্ট্রেটেজি অদুদা কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক, ক্লাইমেট চেঞ্জ, ইনফ্লেসন অমসুং ইকনোমিক ইনসেক্যুরিটি অসিসু য়ুএসকী ইন্টরেষ্টশিংদা পীবা অচৌবা থ্রেট অমা ওইনা পল্লি।

চাইনা অমসুং রসিয়াগুম্বা মরু ওইবা পৱারশিংদা অথোই অহেন তান্নরকপগা লোয়ননা ষ্ট্রেটেজি অদুদা পেন্দামিক, ক্লাইমেট চেঞ্জনচিংবশিং অসিসু অচৌবা থ্রেট ওইনা পল্লিবনি হায়রি।

দোক্যুমেন্ট অদুনা চেকশিন ৱা পীরদুনা হায়রি, মদুদি চহী তরাগী মতম অসিদা ঐখোয়না মহৈ য়ানগদবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্তুনা মায়োক্লবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় ক্লাইমেট ক্রাইসিস অসি থেঙনবদা শোয়দনা ৱারগনি।

# লেবানন-ইজরেলগী মেরিটাইম বাউন্দরি দিল য়ুএন চীফনা তরাম্না ওকখ্রে



য়ুএন, ওক্তোবর ১৪ (এজেন্সী):

য়ুএসনা ৱাতেমদুনা লেবানন অমসুং ইজরেলগী মেরিটাইম বাউন্দরিগী য়েৎনবা লৈখায় তান্নবগীদমক্তা পুরকখিবা দিল য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা তরাম্না ওক্লি হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন চীফকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিক্কা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, য়ুএসনা ৱাতেমদুনা ৱারী শান্নবদগী লেবানন অমসুং ইজরেলনা মখোয়গী মেরিটাইম বাউন্দরিগী য়েৎনবা লৈখায় তাথোক্লবগী ৱাফম হৌনবী মতুং ইন্না য়ান্নরে হায়না লাউথোরক্লিবসি সেক্রেটরি জেনরেলনা তরাম্না ওকই।

ওইরক্লিবা খোঙথাং অসিবু পুক্লিং থৌগৎপা অসিনা লমদম অদুদা তং তাবা ফিভম অমা লাকহনবদা মতেং পাঙবগা লোয়ননা লেবানিষ্ট অমসুং ইজরেল্লি মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবদসু মতেং পাঙলগনি হায়না মহাক্লা চেৎনা থাজে।

দুজরিক্কী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, পার্টিশিংনা হায়জরকখিবগুম য়ুএননা মখোয়বু মতম চুপ্পদা মতেং পাঙনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে। সেক্রেটরি জেনরেলনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন ১৭০১ ইফেক্তিব ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মতেং পাঙগনি হায়বা য়ুএনগী কম্মিটমেন্ট নৌহৌননা পল্লি। রিজোলুসন অদুনা মরু ওইনা কুমজা ২০০৬ তা ইজরেল অমসুং হেজবোল্লাগী মরক্তা শোক্লখিবা লেবাননগী লান অদুগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অমদি লমদম অদুদা তং তাবা ফিভম লৈহনবদা মথৌ তারিবা অতৈ মরী লৈনবা রিজোলুসনশিং দিল তৌরিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইজরেল অমসুং লেবাননা পুৱারীদা রেকোর্দ ওইহৌরগদবা মওংদা মখোয়গী মরক্তা পার্মেনেন্ট মেরিটাইম বোর্দর অমা লিংবগী ৱাফম য়ানখিবনি। ওফিসল ওইনদি লান শোক্লদুনা লৈরিবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অসিগুম্বা দিল অমা পুরকপনা মেদিটরিনিয়ন সীগী নেচরেল গ্যাস ফিল্ডশিংদগী গ্যাস পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়রি।

## MANIPUR FOOD INDUSTRIES CORPORATION LTD.

(A Government of Manipur Undertaking)
Administrative Office : Takyelpat Industrial Estate, Imphal West, Manipur

### ꯇꯦꯟꯗꯔ / NOTICE INVITING TENDER

14-10-2022

**No.MFICL-5/3/2019/PMC-POE:** Percentage Rate Tenders are invited from Contractors of repute, well established in line and experienced in the execution of similar works of comparable magnitude fulfilling eligibility criterion for the following works to be taken up under proposed Mega Food Park (CPC) at Yaithibi Khunou, Thoubal District :-

| Sl. | Name of Work | Estimated Cost | Time allowed |
|---|---|---|---|
| 1. | Construction of Temporary Approach Road from IVR to proposed Mega Food Park site at Yaithibi Khunou, Thoubal District, Manipur | Rs. 11,57,301.00 | 1 (one) month |
| 2. | Construction of small office cum resident building for proposed Mega Food Park at Yaithibi Khunou, Thoubal District, Manipur | Rs. 9,61,012.00 | 1 (one) month |
| 3 | Construction of Police Watch Tower & Security Gate of CPC, Mega Food Park at Yaithibi Khunou, Thoubal District, Manipur | Rs. 4,36,490.00 | 1 (one) month |

Tender Forms and other related documents can be obtained on any working day (during office hours) from the office of the undersigned from 17-10-2022 (Monday) to 20-10-2022 (Thursday) on payment of Rs. 5000/- in the form of Demand Draft/Banker Cheque in favour of "Managing Director, MFICL" and payable at Imphal. Sealed techno-financial bids in single cover are to be submitted at the address mentioned below on or before 21-10-2022 (Friday) up to 1300 hours IST. The Bids will be open on the same day i.e. 21-10-2022 at 1500 hrs IST.

**Sd/- Joel G Haokip**
**Managing Director,**
**Manipur Food Industries Corporation Limited**

HL-P/4396/15

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT

### ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE NO. 4

Dated, Imphal the 12th October, 2022.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur.

| Sl. No. | Name of Work | E/Cost (Rs) | E/Money (Rs) | Cost of T/ Form (Rs) | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Repairing of IEI in the Main Stadium at Khuman Lampak Sports Complex in connection with North East Regional Sports Week, 2022. | 8,67,040/- | 17,341/- | 500/- | 15 days |

The tender documents shall be available at the office of Electrical Division No. III, PWD, Manipur from 13/10/2022 to 20/10/2022 at office hour.

Bid submission start : 17/10/2022

Bid submission end : 21/10/2022

Date of opening of Tender :11.30 am of 24/10/2022

The earnest money should be deposited in the form of Demand Draft/ D-at Call drawn in favour of **"Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur"** from any nationalized/ scheduled bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

**Sd/- Executive Engineer,**
**Electrical Division No. III,**
**P.W.D., Manipur.**
**Dated, Imphal the 12th Oct, 2022**

HL/B/7867/15

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT

### ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE NO. 3

Dated, Imphal the 12th October, 2022.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur.

| Sl. No. | Name of Work | E/Cost (Rs) | E/Money (Rs) | Cost of T/ Form (Rs) | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Repairing of IEI in Boxing Court, Swimming Pool and Fencing Stadium at Khuman Lampak Sports Complex in connection with North East Regional Sports Week 2022 | 6,45,920/- | 12,919/- | 500/- | 15 days |
| 2. | Repairing of street light and switch gear at KhumanLampak Sports complex in connection with North East Regional Sports Week 2022. | 7,03,850/- | 14,077/- | 500/- | 15 days |

The tender documents shall be available at the office of Electrical Division No. III, PWD, Manipur from 13/10/2022 to 20/10/2022 at office hour.
Bid submission start :17/10/2022
Bid submission end : 21/10/2022
Date of opening of Tender :11.30 am of 24/10/2022
The earnest money should be deposited in the form of Demand Draft/ D-at Call drawn in favour of **"Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur"** from any nationalized/ scheduled bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

**Sd/- Executive Engineer,**
**Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur.**
**Dated, Imphal the 12th Oct, 2022**

HL/B/7867/15

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC WORKS DEPARTMENT

### ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE NO. 2

Dated, Imphal the 12th October, 2022.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur.

| Sl. No. | Name of Work | E/Cost (Rs) | E/Money (Rs) | Cost of T/ Form (Rs) | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Repairing of IEI in the Youth Hostel No 2 in all Blocks (A,B,C,D) at Khuman Lampak Sports Complex in connection with North East Regional Sports Week 2022. | 14,82,889/- | 29,658/- | 500/- | 15 days |

The tender documents shall be available at the office of Electrical Division No. III, PWD, Manipur from 13/10/2022 to 20/10/2022 at office hour.

Bid submission start :17/10/2022

Bid submission end : 21/10/2022

Date of opening of Tender :11.30 am of 24/10/2022

The earnest money should be deposited in the form of Demand Draft/ D-at Call drawn in favour of **"Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur"** from any nationalized/ scheduled bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

**Sd/- Executive Engineer,**
**Electrical Division No. III**
**P.W.D., Manipur.**
**Dated, Imphal the 12th Oct, 2022**

HL/B/7867/15

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT : MAHUD DEPARTMENT

### ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

**Imphal, the 13th October 2022**

**F.No.ELECT-201/1/2020-MAHUD-MAHUD-Part(3):** Whereas, the State Government took a decision to hold the general elections to Imphal Municipal Corporation and the 26 Urban Local Bodies in the month of November 2022.

2. AND, WHEREAS, a draw of lots for reservation of SC/ST, SC/ST (W) and Women was conducted on 07.10.2022 at G.M Hall for the 27 ULBs including Imphal Municipal Corporation;

3. AND, WHEREAS, the Hon'ble High Court's in its Orders and Judgement dated 23.05.2021 passed in W.P (C) No.396 of 2021 directed the Respondents to give a reasonable opportunity to all the present Caretaker Councillors to submit objections/suggestions and also a reasonable opportunity of being heard before finalisation and publication of the said reservation policy contained in the said explanatory note;

4. NOW, THEREFORE, the Governor of Manipur is pleased to invite objections/suggestions from the Ex-Corporators of Imphal Municipal Corporation in respect of the reservation policy for SC/ST, SC/ST (W) and Women as annexed at Annexure "A" and "B" to the Government within 15 (fifteen) days from the date of receipt of this notification, failing which, it will be presumed that there is nothing to say/submit to the reservation policy, and it will be finalised ex-parte.

By Orders and in the name of the Governor,

Sd/- **M. Joy Singh**
Commissioner (MAHUD)
Government of Manipur

**ANNEXURE A**

| S.No | Name of Municipal Corporation | Total no. of Wards | Ward numbers reserved for: ST including ST Women | ST Women | SC including SC Women | SC Women | Women | Total No of Seats reserved for Women |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | 8 | 9 |
| 1 | Imphal Municipal Corporation | 27 | 5,19,26 | 5 | x | x | 2,3,4,9,10, 13,15,21 | 9 |

**ANNEXURE "B"**

| Ward | TOT_P (as per 2011 census) | P_SC | P_ST | SC proportion | ST Proportion | ST wards | | RESERVATIONS AS PER DRAW OF LOTS ON 07.10.2022: 2010 1st Duration | | | 2015 2nd Duration | | | 2022 3rd Duration | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | | 8 | 9 | 10 | 11 | 12 | 13 | 14 | 15 | 16 |
| | 268243 | 1262 | 29511 | 0 | 0.11 | | | ST | ST (W) | G (W) | ST | ST (W) | G (W) | ST | ST (W) | G(W) |
| 1 | 11342 | 71 | 2233 | | **0.20** | ST | | | | G (W) | ST | | | | | |
| 2 | 10951 | 155 | 408 | | 0.04 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 3 | 7465 | 25 | 52 | | 0.01 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 4 | 7190 | 44 | 6 | | 0.00 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 5 | 24162 | 411 | 10268 | | **0.42** | ST | | | | | | | | | ST (W) | |
| 6 | 8206 | 52 | 14 | | 0.00 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 7 | 8340 | 42 | 12 | | 0.00 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 8 | 7577 | 10 | 18 | | 0.00 | | | | | | | | G (W) | | | |
| 9 | 8338 | 6 | 6 | | 0.00 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 10 | 7974 | 54 | 17 | | 0.00 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 11 | 7707 | 0 | 21 | | 0.00 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 12 | 8020 | 21 | 10 | | 0.00 | | | | | | | | G (W) | | | |
| 13 | 10736 | 0 | 4 | | 0.00 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 14 | 7246 | 7 | 135 | | 0.02 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 15 | 7520 | 4 | 0 | | 0.00 | | | | | | | | | | | G(W) |
| 16 | 6872 | 0 | 6 | | 0.00 | | | | | | | | G (W) | | | |
| 17 | 11672 | 3 | 1 | | 0.00 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 18 | 8783 | 0 | 12 | | 0.00 | | | | | | | | G (W) | | | |
| 19 | 9874 | 79 | 1230 | | **0.12** | ST | | | | | | | G (W) | ST | | |
| 20 | 8070 | 43 | 10 | | 0.00 | | | | | G (W) | | | | | | |
| 21 | 11446 | 18 | 2618 | | **0.23** | ST | | | | | ST | | | | | G(W) |
| 22 | 16048 | 22 | 2284 | | **0.14** | ST | | ST | | | | | G (W) | | | |
| 23 | 9335 | 0 | 12 | | 0.00 | | | | | | | | G (W) | | | |
| 24 | 8760 | 36 | 2478 | | **0.28** | ST | | | | | | ST (W) | | | | |
| 25 | 7043 | 57 | 838 | | **0.12** | ST | | ST | | | | | G (W) | | | |
| 26 | 18149 | 35 | 6740 | | **0.37** | ST | | | ST (W) | | | | | ST | | |
| 27 | 9417 | 67 | 78 | | 0.01 | | | | | G (W) | | | | | | |
| | **TOTAL RESERVATION** | | | | | 8 | | 2 | 1 | 8 | 2 | 1 | 8 | 2 | 1 | 8 |

HL/B/7871/15